# চুমথোক্কে হায়রবদি য়াদে হায়বা ঙম্বা চঙই - ৩

**ৱাখল ইহুল**
**সোরাম ইবোহল**

**মণিপুরদা** মীতোপশিংনা চঙশিল্লকপা থিংনবা হোৎনরকপা চহী মতম ফনা শাংলক্লে। মণিপুরবু ইন্দিয়াদা নম্ফুদা তিনহনখ্রবা মতুংদগী ঙসি ফাওবদা মীতোপ চঙলকপা থিংবা ঙমগদবা এক্ট নৎত্রগা সিষ্টেম অমা ফাওবা লৈতবনা হৌজিক্তদি মীতোপ্পা থুমহল্লকদবা ফীভম (সেচুরেটেদ ষ্টেট) হায়বদু ওইরক্কদৌরে। ব্রোদগেজ রেলৱে লাইন হেক য়ৌরকপদদি সুপর সেচুরেটেদ ষ্টেট হায়বদু শোয়দনা ওইরনি। অকনবা ঈহৌ কয়াগী মতুংদা য়াম্না ৱানা মমাঙ চহী ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩১ দা পাস তৌখিবা বিল অহুমদু ষ্টেটসিগী গভর্ণরনা চীংমী কাঙলুপ খরনা মরম ফজনা পীদনা এন্টি ট্রাইবেল বিল ওই হায়না হৌরকপা তোঙান তোঙানবা ঈহৌদা মীওই মাপনগী পুন্সি পীখম্নখিবদু লুম্না লৌবদগীনি খঙদে, ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টকী অয়াবা লৌনবা থাগৎখিবদা ৱিথহোল্ড তৌখিবা অমা য়াওনা অতোপ্পা অনীনা খরা শেমদোক শাজিন তৌবগী মথৌ তারকপগী পাউ মে ১৩, ২০১৬ তা খঙহল্লকখিবগী মতুং ইন্না মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিদা পাস তৌখিবা বিল অহুমদু য়াদ্রে হায়বসি ময়েক শেংলে। মতাং অসিদা থমনিংবা ৱাফমদি এন্টি ট্রাইবেল ওই হায়রবদি মরম চাবা ৱাফম ফোঙদোক্লবা ষ্টেট লৈঙাক্লা অমদি তমগী মীপুম খুদিংমক্লা (পূন্নমক শুপচিল্লগা) হায়বদা শিখাং খাঙদুনা মীওই মাপনগী অশিবা হকচাংশিংগী মথৌ মঙম তৌদনা লৈরকপসি হৌজিক্তি লোইশিনবা হেন্দোক্লা য়ারে হায়বগী মরমদি বিলশিংদু য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা য়াখিদ্রে হায়বসি চীং-তম লোয়না খঙলবনিনা। মসিদি ট্রাইবেলগী মায় পাকপনি হায়নসু লৌবা য়ারে অহানবগী ওইনদি।

ষ্টেটসিদা মীতোপ চঙশিল্লকপগী ৱাথোকশিংদি চীং-তম অনীমক্কীনি। মতাংসিদা ৱাফম অনীখক মীয়াম্নসু খন্নবিনবা থমজগে। অহানবা ৱাফমদি, ষ্টেটসিদসু অতৈ য়ূমলোন্নবা ষ্টেটশিংদা তৌবগুম মীতোপ চঙশিল্লকপা (মরম চাদনা) থিংনবা বিল ষ্টেট এসেমব্লিদা পুথোক্লগা পাস তৌনবা হোৎনরকপা তাঙ্কক্তগীনা পাস তৌখিবা মতম ফাওবদা মীতোপ চঙশিল্লকপগী পাউ অদুক হাক্লা মথি ফোঙলমদে। করিগী হায়বদা মরম চাদনা মণিপুরদা মীতোপ চঙহন্দবা, তানবা নৎত্রগা হলহনবা ঙম্বগী/য়াবগী ফীভম মীতোপ্পসু খঙবনা মতমদুদা মীতোপ চঙলকপগী চাং নেমখিবনি। অনীশুবা ৱাফম্না, এন্টি ট্রাইবেল বিল ওই হায়না হৌবদগীনা কংয়েৎ য়েৎতুনা লৈখিবা বিলদু এসেমব্লিদা পাস তৌরবসু গভর্ণরনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতা থাগৎখ্রবা মতুংদা য়াদ্রে হায়বা অমুক মীতোপ্পা খঙখিবদগী মণিপুরদা মীতোপ চঙবদা থিংনবা এক্ট নৎত্রগা চান্নবা সিষ্টেম লৈত্রবনিনা হেক্তা অঙম্বা পান্থে শীজিন্নরগা চঙহৌবা য়ারনি খনবদগী মখোয় খরা হৌনরগা নৎত্রগা গেঙ ওইনা মীতোপ চঙশিল্লকপনি হায়বসি শোয়দনা চুমগনি। নোংমা নোংমগী চাংসু অকা-অকুম নায়রগা অচেংবা তাঞ্জা লৌনবা শোয়দনা হোৎনরক্কনি।

চৈরকসিদা ষ্টেট লৈঙাক্লা অমদি জে সি আই এল পি এসকী খোঙজংলোইশিংনা (মরু ওইনা), ষ্টেটকী মীচম মীয়ামগী হেন্না য়াইফনবা খনবা অপূনবা সি এস ওশিংগী কাঙবুনা হেন্না কনশিনবা মওংদা পূন্না হোৎনমিন্নবগী থৌদাং লৌহৌনবগী তাঞ্জা অরোইবা ওইবনা পূন্না থবক তৌমিন্নবনা হেন্না ফগনি নৎত্রবদি লৈনাংনা পনথিংবা তাখিদুনা মমৈদা কান্নফম খঙলক্তবা য়াই, মসিবুনি নুংনাংজরিবদি।

ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা মখল মখাগী মীতোপশিং লেপ্তুনা চঙশিল্লকপগী য়াম্না নুংনাংনিঙাই ওইখিবা ফীভমদি নুমিৎ ৮ নিগী মনুংদা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর ৬২৬ সেকমাইদা ঈহৌ হৌরিবশিংনা ফারগা সেকমাই পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নখি হায়বসিনি। ষ্টেট এসেমব্লিদা পাস তৌখিবা বিলশিং এক্ট ওনবা ঙমদ্রে, মীতোপতি নোংমা কাঙদনা চঙশিল্লকপসু লেপ্তে খঙলবা ফাওবদা ষ্টেট লৈঙাক্লা অথুবদা করি তৌগদগে খন্দবা মানবা মওংদা তুমিন্না ইন্টরিম ওইবা য়াবা থৌরাং অমৎতা পুথোক্লবা হোৎনদবসিনি। অদুনদি, কোংগ্রেস লৈঙাক্লা মীতোপ চঙলকপসি পূক্লিং থৌগৎলব্রা, ইন্দিয়ালাইজেসন্দা পূক্লিং চঙলিব্রা হায়বসিনি।

ষ্টেট লৈঙাক্লা মতম খরগী ওইনা মীতোপ চঙশিল্লকপা থিংগে খল্লবদি মাও গেটতা লৈরিবা ষ্টেট ফোর্সশিংদা মীতোপ্পা মণিপুরদা চঙলকপা মতমদা চৎনবা য়াবা চে-চাংশিং য়াওরক্লগা চঙহনবা নৎত্রগনা মশা মশাগী মরমদা হনখিনবা অকনবা খোঙথাং/এক্সন খরা লৈঙাক্লা লৌখৎনবা য়াথং পীরবদি শোয়দনা মরম চাদনা মীতোপ চঙশিল্লকপা থিংবা ঙমগনি। মদুদা মতেং পাঙহন্নিংলগা সি এস ওশিংগী মীহুৎ খরসু মফমদুদা লৈহনবা ষ্টেট লৈঙাক্লা য়াহনবীরবদি কন্সটিট্যুসন্না য়াবা আই এল পি এস/এক্ট অমা লৈত্রি ফাওবদা মীতোপশিং মরম চাদনা পংচঙদা চঙশিল্লকপা থিংবা ঙমগনি। চৎনবা য়াবা আই এল পি এস/এক্ট অমা হেক লৈরবা মতমদদি কাঙলোনবু চুল্লবদি ইফোঙ ফোঙনা চঙলকপদা চঙলক্কনু হায়গদবা নত্তে হায়বসি অতৈ ষ্টেটশিংগী গভর্ণমেন্টকা পাউ ফাওনবিগদবনি, করিগুম্বা হায়রক্লবদি। মীতোপ চঙলকপদা মতম খরগী ওইনা য়াদে হায়বা ঙমদবসিনি ষ্টেট কোংগ্রেস লৈঙাক্কী অশোনবসি।

ষ্টেটসিদা মীতোপ চঙহন্নিংদবগী মরম কয়াগী মনুংদা পনবা য়াবা অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মতাং মতাংগী ওইনা মখোয়গী খুদোংচানবগীদমক ইন্দিয়াগা য়ূমলোন্নবা ফোরেন কন্ত্রিশিংদা (মরু ওইনা ম্যান্মারদা) শায়েন ঙায়েন তৌদুনা লমগী মপু ওইরিবশিংদা তাক্লমদনা/তান্নরমদনা পীথোকখিবা খুদম ওইনা, জৱাহরলাল নেহরুগী মতমদা হান্না মণিপুর (মতম অমগী কংলৈপাক) গী ওইরম্বা কবো ভেল্লিগী শরুক, হৌজিক্লা নরেন্দ্র মোদিনা বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১ মাঙখিবগী নমাদা লৈশেমঙৈদগী লৈরকপা ক্বাথাগী লম মচেৎ খরা ম্যান্মারদা পীথোক্লবা হোৎনবা - পীথোকপা লেপত্রবদি পীকশিল্লকপা হায়বসি মশানা তারবনি। ইশ্যুসিদা ষ্টেট লৈঙাক্লা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌরাং/খোঙথাংসিদা য়াদে হায়বা ঙমফম থোকই। ঙল্লোইদবা ওইরবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নম্ফু অমদি লৌনম তৌরগা ক্বাথাগী লম মচেৎ খরা ম্যান্মারদা পীথোকখিবা য়াবগী মীপাইবা ক্বাথাগী ইচিন-ইনাওশিংনা ফাওরগা থেংননবা হোৎনরিবা খোঙজং অসিদা মণিপুরগী অপূনবা সি এস ওশিংগী লূপশিংনসু মতেং পাঙশিনবীদুনা ঐখোয় পূন্না থেংনমিন্নফম থোকই।

নাকল অমরোমদা অমুক, মণিপুরদা এন এস সি এন (আই-এম) গা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা তৌনরিবা সিজ ফয়ার এগ্রিমেন্ট/সিজ ফয়ার চৎনদে হায়বসি মমাঙদসু উখ্রুলদা, হন্দক্তসু সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা আসাম রাইফলসকী তোঙান তোঙানবা বটালিয়নগী কম্যান্দেন্টশিংনা ফোংনা এক্সননা উৎখিবা লৈবনিনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতা নাগাশিংগী ৱাথোক নাগালেন্দদা শন্তাইন্নবা হোৎনবিয়ু, মণিপুর ষ্টেটকী ঙমখৈ মনুংদদি চৎনরোই, য়াদে হায়বসি নৌহৌননা হায়বা ঙম্বা চঙই। ষ্টেট লৈঙাক্লসু য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতা খূৎ থিন্দুনা তাকফম থোকই মদুদি আসামগী, গুৱাহাটিগী মণিপুর বষ্টিদা লৈরিবা মীতৈশিং কছারদা, সিলচরদা, ত্রিপুরাদা খুন্দারিবা মীতৈশিংদি অশেংবা মীতৈশিংনি। নমদুনা মীতোপশিংবু লোল-লি, চৎন-লোনচৎ মান্নদবশিংবু মীতৈনি হায়হনবসু নত্তে। মীতৈনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খুন্দারগা মীতৈশিংগী অপূনবা লম হায়বা য়াদে হায়বসি মণিপুরদা নাগা হায়বা কাঙলুপ অমা মহৌশাদগী লৈরকপা লৈরক্তবা খঙদনা, ট্রাইবেল কাঙলুপ মচা কয়াবুসু নমদুনা নোংমৈনা কিহল্লগা মীচং খোম্বগী মওংদা চত্থবা লালোংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ৱাখল য়াওদনা চত্থগে খনবা থৌশিল মণিপুরগী ঙমখৈ মনুংদা লালহৌ মখল অমৎতগী মণিপুর কায়নবা থৌরাং/থৌশিল য়াদে হায়বসি মমাঙদসু হায়বিখিবা অদুম হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতা হায়বিফম থোকই। মসিদা কিফম থোক্তে। ফীভমনা য়ারক্তবদি, মীচম মীয়াম হৌরক্লবদি, ফত্তবা ঈহৌ লাকপা হায়বসি অওনবা মণিপুর অমগীদমক তুংগী লাইবক লেপকদবনি হায়বসিসু মফম মতম চারিঙৈদা হায়বিহৌবা ঙমফম থোকই। নৎত্রবদি শন্দ্রেম্বী ইমাদি খ্বাং থুমজিল্লক্লে হায়বদু তাহন্নিংদে হায়না থমজগে।

মালেমগী ওইনা হোংলক্লিবা পোলিটিক্সকী সিনরিওদা নহা ওইবা থবক ঙম্বশিংনা অহল ওইরে, থবক তৌবদা মঙম শানবা ঙমদ্রে, মতমগা চুনদ্রে খঙলবশিংগী মহুৎ শিনবা হায়বসি মতমগী মথৌ তাবা ওইরকপনা অরি অনৌ শিন্নবগী মতাংদা শিল্লক্কদবশিংনা কোক য়াম্না থাদবা চঙই হায়নসু থমজগে। হায়রিবা অসি অকক্লবা পার্টি অমগী ৱাফম নত্তে।

মণিপুর হায়বসি চীং অমসুং তম অনীনা পুনশিল্লগা ওইবনা মীতোপকী ৱাথোকসিদি চীং-তম অনীমক্কীনি। তম্পাক্তনা হান্না খরা হেনবগী ৱানি। তম্পাক্তগী পাথোকপা মখৈ চীংদসু কাখৎখিগদবনি। মরমদি মীতোপ ওইনা চঙশিল্লকইবশিংসিদি শিবা নাবা কিদ্রবা মীওইনা অয়াম্বনি। চীং-তম অনীমক্তা হেন্না শাথিবা চৈথেং ফংলক্তনবা ষ্টেট লৈঙাক্লা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মরমদা মমুৎ তানা খঙ হৈরবা সুপ্রিম কোর্টকী উকিলশিং, সিজন পার্লিয়ামেন্টরিয়ান তানবা য়াবা খরগা হান্না চীং অমসুং তম অনীমক্তা য়ামদ্রবদা চহী ২০০/৩০০ ফাওবা চৎনবা য়াগদবা ফীভমশিং তান্নবিরবা মতুংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা তৌফদ্রবা খোঙথাং অমনি হায়না লৌবিরগা (ওফিসিয়েল প্রোসিদ্যুর থিবিদনা) অপূনবা অফোঙবা মীফম অমগী কনভিনর ওইবিরগা চৎলিবা ওগষ্ট থাসিদা ফমগদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীফমগী মমাঙদা চীং অমসুং তমগী অশুপ্পা ওইবা য়াবশিংদা অকক্লবা মতমগী মনুংদা সিটি ষ্টেটসিগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা নৎত্রগা ভৈগ্যচন্দ্র ওপন এয়র থিয়েটরদা নৎত্রগা নোংজু-নুংশাগী ফীভম য়েংবিরগা মপান কাংজৈবুংদবু ওইরবসু কৌবিনবা চেবাউ নাকল অনীমক্তা (মরু ওইনা শিখাং খাঙনা য়েৎনীংঙিবা কাঙবুদা) তারিখ, পুংফম, খন্নগদবা মরম ময়াম শুগায়না পনবিরগা থমহঞ্জনীংই। অফোঙবা মীফমসিগী চেবাউগী মরোল ফাওবা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতা নত্তনা নেসনল পেপরশিংদা ইন্দিয়াগী কাচিন কোয়া শিন্থুংনা য়ৌহন্নবা থৌরাং পায়খৎহন্নিংই। করিগীনো হায়বদা, কোর্টনসু নোটিশ থাবদা অনীরক অহুল্লক মরী লৈনবা চে-চাং থাফম থোকপদা লৌ হায়বা য়াদ্রবদি মহুৎ শিনবা ওইনা ইরায় লায়না উগদবা-খঙগদবা মফম অমদা থেৎলগা ফোটো নম্লগা পুরকপা নৎত্রগা রেজিষ্টর পার্সেল ওইনা নপফম থোকপা ষ্টাম্প ফি নপ্লগা থাবা অদুম হায়না ফোংনা লাক্তুনা খন্নবা য়াওরনবা খঙহনবদুগুম্বনি।

অদুগুম্বা অফোঙবা খন্ন নৈনবা মীফমদুনা লৌবা ৱারেপতুগী পরিংদা হান্না পাস তৌরগা থাখিবদা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা য়াখিদবা বিলদু এক্ট ওন্নবা ষ্টেটকী গভর্ণরদা অয়াবা লৌনবা থাবদা শোয়দনা য়াবিগনি থাজৈ। য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী য়াকা য়েংলগা চৎনবীগী মতুং ইন্না থবক তৌবিরিবা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনসু মথৌ তারবদি শোয়দনা অয়াবা পীবিগনি খঞ্জে/থাজৈ।

কনসেপসন ওইবা ঙল্লগা য়াম্না ফরে, ঙমদ্রগনা ভোইস ভোটতা বিলবু ওইরো, করিবু ওইরো পাস তৌরগা চৎনহনবা হায়বসি ষ্টেট এসেমব্লিশিংদদা নৎতনা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতসু চৎনবী ওইবনা চানবা পান্থে অমা শীজিন্নরগা মণিপুরগী তুংগী মীরোলগী লাইবক লেপকদবা খোঙথাংসি লৌখৎপীনবা হোৎনবিবা নৎত্রগা তকশিনবীরগা মায় পাক্লবা হোৎনহঞ্জনীংই। নৎত্রবদি, মণিপুর মীচম মীয়ামগী তুংগী পুন্সিদা ওইরক্কদবা শাথিরবা ফীভমশিংগী মরমদা তরেৎ তরা থোক্লা খন্থবিনবা মরী লৈনবশিংগী মফমদা অইবগী হায়জ-নোঞ্জনা ৱারোল খরসি তুংগী মীরোলশিংগীদমক থমজরি।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## লৌকোইপাৎকী মপু কনানো?

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**লৌকোইপাৎ** হৌজিক্লা বিষ্ণুপুর অদুগা ঙল্লিঙৈ মতমদনা লমাংদোংগী অৱাং থংবা চীংথক্তা লৈবা পাৎ মচা অমনি। চীংথক্তা চীংনা কোয়শিনবা পাৎ মচা অমা লৈরম্বা অমুক্তা উদ্রিবা মীনদি ঙক্লা থোকই। ইম্ফালদগী খারম পাঙবদা কিমি ২৭ চৎলগা লৈ। মণিপুরগা মপান লৈবাক্লা ফাওনরম্বা অমতা ঙাইবা লম্বী তোংজৈ মরিল বিষ্ণুপুরদগী নোংচুপ পাঙনা লাইমতোন চীংশাং লাল্লগা চৎখিগদবনি। বিষ্ণুপুর লেটিচুদ ২৪.৫০ নোর্থ অমসুং ৯৩.৭৭ ইষ্ট অনীগী মরক্তা অদুগা সমুদ্র ইমায়দগীনা মিটর ৭৯৮ ৱাংনা লৈবা লমদম অমনি। লৌকোইপাৎতি চীংথক্তা লৈবা মরম্না য়ামদ্রবদা সমুদ্র ইমায়দগী মিটর ৮৫০ গী মনুংদা লৈরম্বা য়াই।

লমদম অসিগী অহল-লমনশিংনা লৌকোইপাৎকী ৱারী অমা লীবিরম্মী। লৌকোইপাৎ চীংনা কোয়শিনবা লৌবুক মচা অমা ওইরম্মী হায়। লৌ উরিবা নুপা অদুনা চহী অমা লৌ য়ৈবা লোইরগা অথোকপা ফৌ অদু হোনবগী লোইবা নাইরমদে। মমৈথংদা মহাক্লা শাউদুনা মখোঙনা কাউরুবদগী লৈপুং ওনখি। পাৎ অসিগী ময়াইমক্তদা হৌজিক ফাওবা লৈপুং অমা লৈ। হৌজিক মীয়াম্না উরিবা লৈপুং অসিনি হায়না অহলশিংনা লীবিরম্মী।

অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতুংদা মতম কুইনা পুখ্রি মচা অমগী মওংদা লৈরম্মী। মতমদুগী খুনগী অহলশিংনা মফম অসিবু পাৎ অমা ওইনা শেমগৎলগা মহৌশাগী ওইবা ফজবা অমসুং মীয়ামগী ঈশিং থক্লবা ৱাটর সপ্লাইগী থবক পায়খৎপা য়াগনি হায়বগী মঙ অমা মঙখি। মতমদুগী মীয়াম্না শাগৎচবা মঙ অদু তাইবঙপান ওন্থোক্লবা পাৎ অসিগী নোংপোক থংবা শরুক চীংমায় অনীগী কারক অচেংবা শরুক্তা চীংমায়দগী লৈবাক খোৎথদুনা পল থিংবগী থবক কুমজা ১৯৫৬ তগী হৌখি। খুনগী মীয়াম্না মরক মরক্তা পলি শেমদুনা পল থিংবগী থবক চহী মরি হেন্না চত্থখি। মপূং ফাবা পাৎ অমা ওইরবা মতমদা খুনগী মীয়াম্না কম্মিটি শেমদুনা মতম মতমগী ওইবা ঙা য়োকপা, থক্লবা ঈশিং পাইপ তিংদুনা মীয়ামদা ফংহনবা, অকোয়বদা উ থাবা অসিনচিংবা হোৎনদুনা লাকখি। চহী খুদিংগী দুর্গা পুজাদা হীগী ফম্পাক শেমদুনা পাৎ ময়ায়দা নুমিদাংদা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম পাঙথোক্তুনা বিষ্ণুপুর অমসুং অকোয়বা খুঞ্জাশিংগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ ওইদুনা লাকখি। অয়োক ঙাদা পাৎ অসিদগী ফাবা ঙানা হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী লুম্বা ঙা ওইরি। কেজি ৪৩ লূম্বা বাও মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা মোইরাং কোইরেংনা লৈখিবগী ৱারী হৌজিক ফাওবা লীনরি। পাৎ অসিবু থৌদাং লৈনা অমসুং মপূং ফানা শেমগৎপা ঙম্নবগী পান্দমদা মতম অদুগী কম্মিটি 'য়াঙ্গোই নিংথৌ দেবতা সেবায়ট এন্দ লৌকোই দিভলপমেন্ট কম্মিটি' না মণিপুর লৈঙাক্তা লৌকোইপাৎ অমসুং মসিগা তাইনবা লমশিং এলোটমেন্ট পীবীনবা হায়জবদা য়াবিদুনা একর ১০.৬৮ চাউবা দাগ অহুমগী লম কুমজা ১৯৭৬ কী জুনগী তাং ৩০ দা মতম অদুগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর (সেন্ত্রেল) না ওর্দর নং DC (C)/8/20-P/Rev/76 dt. 30/6/76 গী মখাদা এলোটমেন্ট ওর্দর থোকখি। মখা তানা কম্মিটিনা থীফম থোকপা প্রেমিয়ম লুপা ২,১৬২.৯০ টি আর ফাইভ নং ১৬৪১২ তাং ২১/৯/১৯৭৭ কুমজাদা এস দি ও বিষ্ণুপুরদা থীখি। অদুবু কম্মিটিনা পীবিয়ু হায়জবা লমগী শরুক্তা ওন্নবা খরা লৈবদগী ওন্থোকপীয়ু হায়না মতমদুগী লৈঙাক্তা হায়জবা লৈখি। অসুম্না লৈনরিঙৈ চৈরক্তা কম্মিটিদা এলোটমেন্ট থোক্তুনা লৈরিবা অমসুং প্রেমিয়ম থীদুনা লৈখ্রবা লম দাগ নং ২১৩৪ গী একর ১.৮৭ চাওবা লমগী শরুক খরা রিজনেল মেদিকেল কোলেজ হৌজিক্লা রিমস হায়নরিবা অসিদা ত্রেনিং হোল অমসুং ক্বার্টর শানবা কুমজা ১৯৮১ দা এলোটমেন্ট থোকখি। মণিপুর মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা রিমসতা পীখিবা লম অদুগী মতাংদা কম্মিটিনা থোইদোকপা অয়েৎপা পীখিদে। মদুগী মহুৎতা লৈঙাক্লা এলোটমেন্ট থোকপদা ঈশিংগী শরুক খরা ৱাৎহৌবদু কম্মিটিদা পীবিয়ু হায়না কয়ারক ৱাকৎপগা লোয়ননা পট্রাসু পীবিরো হায়না কয়ারক হায়জবা লৈখি। কম্মিটিগী ৱাকৎ অদু খঙবীদুনা মতম অদুগী দি সি, বিষ্ণুপুরনা তাং ২৭/১০/১৯৮৯ দা রিমসতা পীথোকখিবা লম অদুগী মহুৎতা কম্মিটিনা পীবিয়ু হায়জরিবা লম অদু এলোটমেন্ট থোকপীয়ু হায়না লৈঙাক্তা চিঠি ইখি। মতম অদুগী লৈঙাক্ল। মতম চানা থবক লৌখৎলক্তবদগী দি সি বিষ্ণুপুরনা অমুক হন্না তাং ৯/১/১৯৯০ দা চিঠি ইখি। পাউখুম ওইনা কম্মিটিগী অপাম্বগী মায়োক্তা দি সি (সেন্টেল) না কম্মিটিগী মিংদা থোকখিবা এলোটমেন্ট ওর্দর অদু ককথৎনবা দি সি বিষ্ণুপুরদা তাং ২৬/১২/১৯৯০ দা চিঠি অমা থারকখি।

য়াম্না নুংঙাইরিবদি দি সি বিষ্ণুপুরনা কম্মিটিদা পীখিবা এলোটমেন্ট ককথৎলু হায়না লৈঙাক্লা য়াথং পীরকপা হায়বদি তাং ২৬/১২/১৯৯০ গী মমাঙ তাং ১৩/১২/১৯৯০ দা মতমদুগী সাইন্স, টেক্নোলোজি এন্দ এনভাইরোনমেন্টকী সেক্রেটরি ভি সিবরনা দি সি বিষ্ণুপুরনা চ্যেরমেন ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিং অমসুং বিষ্ণুপুরগী মীওই খরা য়াওবা মেনেজমেন্ট কম্মিটি ফোর ইকোলোজিকেল পার্ক কৌবা কম্মিটি অমা ওর্দর নং 11/10/90-STE dt. 13.12.90 গী মখাদা শেমদুনা লৌকোইপাৎ য়াওনা পাৎকী অকোয়বদা পার্ক শেমগৎপা হৌরকখি। মতমদুগী লৈঙাক্লা মশানা থোকখ্রিবা এলোটমেন্ট অমসুং লৌখ্রিবা প্রেমিয়ম অদুগী ৱাহন্থোক কাউথোকপগুম তৌখি।

মথোং মরম খঙদবা লৈঙাক্কী থৌওং মান্দবা মতৌ অদুবু শীংনরদুনা কম্মিটিনা আইনগী মতেং লৌনবা অমসুং ৱায়েনবীনবা এলোটমেন্ট ওর্দর ককউ হায়বা লৈঙাক্কী ওর্দর অদুগী মায়োক্তা গুৱাহাটি হায়কোর্টতা কেস অমা থাঙ্গৎখি। সিভিল রুল নম্বর ২৯৭ ওফ ১৯৯১ গী মখাদা হৌজিক ফাওবা কেস অসি কোর্টকী খূৎতা লৈরি।

অমরোমদা মেনেজমেন্ট কম্মিটি অদুনা পাৎ অসিগী অকোয়বা মরু ওইনা নোংপোক থংবা শরুক্তা দিপার্টমেন্টশিংনা পৈশা খরা খরা খাইনরগা লৈশু থাবা অমসুং লু-নানবগী থবক খরা তৌবা নত্তনা থোইদোকপা অচৌবা শেমগৎ-শাগৎপা মশক হোংহনবগী থবক ঙসি ফাওবা পায়খৎপগী খুদম লৈতে। পাৎতা হী খরা থাদরগা লমকোয়বা লাকপশিংদগী পৈশা লৌদুনা আই কাহনবগী থবক হৌরকখি। বিষ্ণুপুরনা লৌকোইপাৎ হেক শেমগৎলকপদগী পাৎ অসিদগী ফংবা আইদি ঙাদগীনি। ফংলকপা আই অদুনা খুনগী লাই ওইনা কৈথেল মনাক্তা লৈরিবা য়াঙ্গোই নিংথৌ অমসুং য়াঙ্গোই লৈমা চহীগী হরাউবদা অমসুং বিষ্ণুপুরগী তঙাইফদবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক্তা শীজিন্নদুনা লাকখি। লৈঙাক্লা শেম্লিবা মেনেজমেন্ট কম্মিটি অসিনা লৌকোইপাৎ অসি বিষ্ণুপুরগীনি হায়বসি মশানা য়াজদুনা চহী খুদিংগী লাই হরাউবগীদমক কারকপা ইনকমগী চান্মদা কুনমঙা খাজনা ওইনা কাদুনা হৌজিক ফাওবা লৈরি।

নাকল অমরোমদা বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা কন্সটিট্যুসনগী ১২ শুবা সেদ্যুলগী মতুং ইন্না পাক গার্দেন অমসুং ইকোলোজিগা মরী লৈনবা মফমশিং ম্যুনিসিপাল এরিয়াগী মনুংদা লৈরবদি মদু ম্যুনিসিপালিটিদা শীন্নগদবনি হায়দুনা কুমজা ১৯৯৮ গী মে তাং ২৩ দা কাউন্সিলনা ৱারেপ লৌদুনা লৌকোইপাৎ ইকোলোজিকেল পার্ক অসি কাউন্সিলদা শীন্নবিয়ু হায়দুনা মতম অদুগী লৈঙাক্তা প্রপোজেল থাদুনা তক্লবা হৌরকখি। ৱাফম অসিগা মরী লৈননা মাহুদ দিপার্টমেন্টনা দি সি বিষ্ণুপুর অমসুং দিরেক্টর, সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি দিপার্টমেন্টতা মখোয়গী ওইবা ৱারোল পীরক্লবা চিঠি তাং ১৬/১০/১৯৯৮ দা ইখি। পাউখুম পীরক্তবদগী তাং ২৩/৬/১৯৯৯ দা অমুক্কসু থাখি। মখা তাবা পাউখুম পীরকখিদ্রে। কাউন্সিল অসিনা তাং ৯/৪/২০০১ দসু ৱারেপ লৌখি। তাং ৯/১০/২০০৬ তা অমুক্কসু ৱারেপ লৌদুনা মণিপুর লৈঙাক্তা লৌকোইপাৎ ইকোলোজিকেল পার্ক অসি শীন্নবীনবা হায়জখি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাউখুম অমত্তা ফংখিদে। তাং ২৪/৯/২০১২ দা অমুক্কসু মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীখি। মদুগী পাউখুম ওইনা মাহুদ দিপার্টমেন্টনা লৌকোইপাৎ শেমগৎনবা দি পি আর অমা শেমদুনা চীফ মিনিষ্টরনা চেয়রমেন ওইবা ষ্টেট লেভেল সেঙ্কসনিং কম্মিটিনা অয়াবা পীদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা সেঙ্কসন তৌবীনবা কুমজা ২০১৩ গী দিসেম্বর থাদা পীশিনখি। হৌজিক ফাওবগীদি দি পি আর অদুগী মরাইবক করি ওইখ্রবগে হায়বা খঙদ্রে।

হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা তশেংনা লৌকোইপাৎপু শেমগৎনীংবগী ফীরেপ লৈরবদি লৈঙাক মশানা এলোটমেন্ট পীরগা প্রেমিয়ম থীহনখ্রবা লৌকোইপাৎকী কম্মিটি হায়বদি বিষ্ণুপুরগী মীয়ামগা তান্নবদা থোইদোক্লা কায়দে হায়না লৌই। শাংলবা মতম চহী ৩৮ হেনবা ফাওবা লৈঙাক্লা অফবা তৌরক্কনি হায়বগী থাজবদা ঙসি ফাওবা বিষ্ণুপুরগী মীয়াম্না ঙাইদুনা লাকপনি। অরোইবদা লৈঙাক্লা খঙবীগদবদি বিষ্ণুপুরদা হৌজিক হিংলিবা মীরোলসিগী মপা মপুগী হুমাংতনা শেমজখিবা লৌকোইপাৎপু মীতোপ্তা পীথোক্লবা হোৎনরকপদা মীরোলসিনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈগদবা মান্দে। কম্যুনিটি এসেট শেম্বীদুনা মীয়ামদা মপু ওইবগী ৱাখল খনবা তম্বীবসু মথৌ তাব্রা হায়বদু লৈঙাক্লা য়েংশিলহন্নীংই।

*অদোমগী - নিংথৌজম সনাজাওবা*
*বিষ্ণুপুর*
*ফোর্মর ঈ ও বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল*

মরোল থোকপা লাই




## চেঙয়েন, থাউয়েন্দা ৱাখল তানদ্রিবা দিপার্টমেন্টনা শেংদোকউ

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মণিপুরদা** অচৌবা ৱাথোক ওইরিবা ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট অসি চৎলিবা চহীসিগী এপ্রিল থাদগী চৎনবা হৌদুনা এক্ট অসিগী মখাদা বিনিফিসরিশিংগী ফেমিলি মেম্বরশিংনা ফংগদবা আইটেমশিং শুনা পী-পীদে, কার্দ হোলদরগী ফেমিলি অমদা মীওই ১০ পাল্লবসু মীওই ৫ খক্তমক পীগদবনি হায়দুনা এজেন্টশিংনা তৌরিবশিং, অমনা কার্দ হোলদরদা য়েনবগী মহুক্তা ভোটর লিষ্টতা য়েনবসু য়াওরি। ভোটর লিষ্টতা মমিংদি য়াওবা য়ূম পানখিবশিংসু অমুক চেঙ, থাউ পীদ্রি।

অতোপ্পা মফমদা ময়ূম পানখ্রবসু ভোটর লিষ্টতা য়াওদবশিংগীদি পীবিফম থোক্তব্রা? এজেন্টশিংনা অমদি মরী লৈনবশিংনা কার্দ হোলদরগী ফেমিলি মেম্বরশিংদা চেঙ, থাউনচিংবা ভোটর লিষ্টতা পীবিগদবা ওইরগদি কার্দ শারুবগী করি মথৌ তারিবগে?

ভোটর লিষ্টতা চেং কেজি ৪/৪, থাউ লিটর ১/১ পীরিবসি মরম চারিব্রা? হায়রুরগা মণিপুরদা ফুদ সিক্যুরিটি চৎনদ্রি হেক্তা হায়জিনবীবশিং অসিনা মরম ওইরগা ৱাখল তানদবা, চয়েৎনবা লৈরিবা অসি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা প্রেস অমদি ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াশিংগী খুত্থাংদা শেংদোকপীয়ু।

ঙসিগী লায়রবগী চাকখাওদা লুট তৌনবা হোৎনবশিং অসি য়ারিবমখৈ থাদোকপীদুনা মশা মশাগী ফংহফম থোকপা চাকথুংশিং মরম চানা ফংহনবা হায়বসি পূম্নমক্কী য়াইফবনি। মসি খঙনা থবক তৌনবা হোৎনবীয়ু।

*অদোমগী - কোন্থৌজম মনিহার সিংহ*
*সেকমাইজিন খুনৌ*